# নোংচুপ থংবা অফঘানিষ্টানদা থংন-থংননা যুহা অনীরক হারকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ২২ শিখ্রে



কাবুল, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী): নিংথৌকাবা নুমীৎকী নুংথিলদা টর্কমেনিষ্টানগা লোন্নবা অফঘানিষ্টানগী নোংচুপ থংবা বাদঘিস প্রোভিন্সতা থংন-থংননা যুহা অনীরক হারকখিবদা য়ামদ্রবা মীওই ২০ শিখ্রে।

ওফিসলশিংগী মতুংইন্না অফঘানিষ্টানগী খ্বাইদগী হেন্না শোত্থরবা লমদমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা প্রোভিন্স অদুদা থংন-থংননা যুহা অনীরক হারকখিবগা মরী লৈননা অহানবা রেস্ক্যু টিমশিং মনুং হঞ্জিন্না লৈবা খুঙ্গংশিং য়ৌশিনখিবগা লোয়ননা অশিবা মশীং হেনগৎলকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈ। প্রোভিন্স অদুগী কলচর এন্দ ইনফোর্মেসন দিপার্টমেন্টকী চীফ বাস মোহম্মদ সারৱারিনা ফোঙদোকখিবদা, যুহাশিং অদুদা য়ুম কয়ামরুম অমাঙ-অতা থোকখ্রে। য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেগী মতুংইন্না নুংথিল পুং ২ তাবদা মেগনিট্যুদ ৫.৩গী চাংদা অহানবা ওইনা নীল্লকখি অমসুং অনীশুবা অদুনা লোকেল মতমদা পুং ৪ তাবদা মেগনিটুদ ৪.৯গী চাংদা নীল্লকখি।

যুহাশিং অদু প্রোভিন্সিএল কেপিটেল কালা-ঈ-নাওগী নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ৪১ অমসুং খা নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ৫০ লাপ্পা মফমশিংদা থোক্লকখিবনি। সারৱারিনা হায়খি মদুদি, মীপায়নরবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিং থিনবা ময়ুম-ময়ুমদগী চেন্থোক্লরকখি। খরা হেন্না মতিক ময়াই লৈবা অহানবগী যুহা অদু প্রোভিন্স অদুগী খা থংবা কুদিস দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবনি। অমাঙ-অতা অমদি মীশি-মীনা অয়াম্বা মফম অসিদা থোকখি। ওফিসলশিংনা অকুপ্পা মখা তাবা পাউশিং লৌনবা হোৎনরি হায়না সারৱারিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুংইন্না মথংগী নুমীৎতা যুহাশিং অদুনা শোকহল্লবা ইমুংশিংদা তেংবাঙগী পোৎলমশিং থাবগা লোয়ননা রেস্ক্যু টিমশিংসু থাননবা থৌরাং তৌরি। যুহা অনীরক হারকখিবা অদুদা প্রোভিন্স অদু শিন-থুংনা নীকখি। প্রোভিন্সিএল কেপিটেল কালা-ঈ-নাওদা লৈবা য়ুম খরা চেকখায়বসু য়াওখি। তৌইগুম্বসুং পাক শন্না অমাঙ-অতা থোকপা নৎত্রগা শাথিনা শোকপদি য়াওখিদে।

এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, ভিক্টিম অয়াম্বা কাদিস দিষ্ট্রিক্টতা য়ুমগী মথক থংবা শরুকশিং নীংখায়রকপদা ননবদগী শিখিবনি। যুহা অনীরক হাখিবা অদুদা শিখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা নুপী মঙা অমসুং অঙাং মরি য়াওখি।

পনবা য়াবদি, অফঘানিষ্টান অসি হান্নদগী হ্যুমেনিটরিয়ন দিজাষ্টর থোক্তুনা লাকপদগী হৌখিবা ওগষ্টতা টালিবাননা লৈবাক অসিগী লৈঙাক পায়শিনখিবদগী ফীভম হেন্না লুশিল্লকখিবনি। টালিবাননা অফঘানিষ্টানগী লৈঙাক পায়শিনখিবগা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা মালেমগী তেংবাঙশিং থিংজিনখিবগা লোয়ননা মপান্দা লৈবা অফঘান এসেটশিং শীজিন্নবসু থিংজিনখিবনি।

# শ্রিলঙ্কানা মতিক ময়াই লৈবা লৈবাকশিং মুক্নবদা চেন্নবা পামদে : প্রসিদেন্ট রাজাপক্সা



কলম্বো, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী): শ্রিলঙ্কানা মালেমগী মতিক ময়াই লৈবা লৈবাকশিংগী মরক্তা মুক্নবদা চেন্নবা পামদে হায়না লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট গোতাবয়া রাজাপক্সানা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না ৱাফম অসি ৯শুবা পার্লিয়ামেন্টকী অনীশুবা সেসনদা ৱা ঙাংবদা ফোঙদোকখিবনি। রাজাপক্সানা মহাক্কী গভর্ণমেন্টকী পোলিসী ষ্টেটমেন্ট অমসু থমখি। সেসন অদুদা এম্বেসেদরশিং অমসুং হায় কম্মিস্নারশিংনা য়াওনা মশীং য়াম্লবা গেষ্টশিংনা শরুক য়াখি।

প্রসিদেন্ট রাজাপক্সানা হায়খি মদুদি, লৈবাক অসিগী সোভরেন্টি অমসুং নীংতম্বদা অহেনবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা ঐখোয়না মালেমগী ওইবা ওবজার্ভেসনশিংদা পোজিটিভ ওইবা পাউখুম পীননবা শেম-শাদুনা লৈ। ঐখোয় নীংতম্বা অমসুং সোভরেন লৈবাক অমনি। ঐখোয়না মতিক ময়াই লৈরবা লৈবাকশিংগী মরক্তা মুক্নবদা চেন্নবা পামদে। ঐখোয়না ঐখোয়গী যুমথংনরিবশিংবু ঈকায়খুম্নে।

অমরোমদা, ঐখোয়না মথৌ তারিবদি লৈবাক খূদিংমক্তা মরুপ-মপাং ওইবা মরী থম্নবা অদুনি। শ্রিলঙ্কাদা শেল-থুমগী ক্রাইসিস থোক্লিঙৈ ওপোজিসন পার্টিশিং অমসুং ক্রিটিকশিংনা মহাক্কী গভর্ণমেন্টপু লৈবাক অসিগী লমশিং অমদি রিছোর্সশিং চাইনা, ইন্দিয়া অমসুং য়ু এসগুম্বা মতিক ময়াই লৈবা লৈবাকশিংদা য়োন্থোকই অমদি লৈবাক অসিবু সুপর পৱারশিংগী হন্টিং গ্রাউন্দ ওন্থোকই হায়না কমপ্লেন তৌরিঙৈগা ঈরোয়ননা প্রসিদেন্ট রাজাপক্সানা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

পুং ১ চুপ্পা ৱা ঙাংখিবা অদুদা প্রসিদেন্ট রাজাপক্সানা লৈবাক অদুগী অৱাং অমসুং নোংপোক থংবদা লৈরিবা মাইনোরিটি তামিল অমসুং মুস্লিম পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিংবু চহী ৩০ রোম সিভিল ৱার থোক্তুনা অৱাবা নংলবা লৈবাক অদুগী মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্ননবা মহাক্না হোৎনরিবা অদুদা য়াওরকউ হায়নসু ইনভাইট তৌখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, অৱাংথংবা অমসুং নোংপোক থংবদা লৈবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিংনা মখোয়গী পোলিটিকেল আইদিওলোজিশিং তুংওইনরগা গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা হোৎনরিবসিদা মতেং পাংননবা ঐহাক্না আপীল তৌরি। লৈবাক অদুগী অৱাং অমসুং নোংপোক থংবা লমদমশিংদা মিলিটরিনা পায়শিনখিবা সিভিলিয়নশিংগী লম পুম্নমক থাদোক্লগনি হায়নসু রাজাপক্সানা থাজবা পীখি। মহাক্না দিফেন্স মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা মিলিটরিনা ওক্ক্যুপাইদ তৌবা সিভিলিয়ন লম চাদা ৯০ রিলিজ তৌখি। হৌজিক মরা তপ্পা ফীভম লৈরবনিনা মিলিটরিনা পায়শিনখিবা অতৈ লমশিংসু গভর্ণমেন্টনা রিলিজ তৌরগনি।

# য়ু এ ঈদা বলিষ্টিক মিসাইল অমসুং দ্রোন এট্টেক কয়া চত্থখি : হৌথি মিলিসিয়া



সানা, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী): য়ুনাইটেদ অরব এমিরেটস (য়ু এ ঈ)গী এয়রপোর্টশিং অমসুং ওইল রিফাইনরি অমদা বলিষ্টিক মিসাইল মঙা কাপশিনবগা লোয়ননা বোম কয়া শীজিন্নদুনা এট্টেক কয়ামরুম চত্থখি হায়না য়েমেনগী ইরাননা শৌগৎপা হৌথি মিলিসিয়ানা লাউথোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমীৎতা হৌথি মিলিটরি স্পোক্সমেন য়েহ্যা সারিয়ানা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি, এট্টেকশিং অদু অবু ধাবি অমসুং দুবাইদা লৈবা ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টশিং অমদি অবু ধাবিগী ওইল রিফাইনরিদা টার্গেট তৌদুনা চত্থখিবনি। য়ু এ ঈনা য়েমেনগী মিলিটরি কনফ্লিক্টতা মখা তানা য়াওশিন্দুনা লৈরবদি ঐখোয়না লৈবাক অসিগী মরুওইবা টার্গেটশিংদা মখা তানা এট্টেক চত্থখিগনি।

য়ু এ ঈগী ষ্টেট মীদিয়ানা নিংথৌকাবগী অঙনবদা পীখিবা রিপোর্টতা দ্রোন মচা খরনা হিট তৌবদগী অবু ধাবিগী ইন্দষ্ট্রিএল এরিয়াদা ওইল টেঙ্কর অহুম পোকখায়খি হায়খি। অবু ধাবি ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা মৈ চাকখি হায়নসু রিপোর্ট অদুদা পনখি। য়ু এ ঈনা হায় মদুদি, হৌথিশিংনা কিহল্লকপদা পাউখুম পীবগী রাইট য়ু এ ঈদা লৈ। এট্টেকশিং অদু অরব অমসুং মপান লৈবাকশিংনা পাক শন্না কন্দেম তৌখিবনি। এট্টেক অসি হৌথিশিংনা পায়শিল্লিবা রেদ সীগী সিটি হোদৈদাগী মনাক্তা য়ু এ ঈগী কম্মর্সিএল জহাজ অমা হায়জেক্ট তৌদুনা ফাজিনখিবা মতুং চয়োল অমরোম কান্নরগা এট্টেকশিং অদু চত্থরকখিবনি। য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলনা জহাজ অদুগা লোয়ননা মদুগী ক্রু মেম্বরশিং থাদোক্লবা হৌথি গ্রুপতা আপীল তৌখ্রবনি। তৌইগুম্বসুং সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী আপীল অসি গ্রুপ অসিনা রিজেক্ট তৌখি।

# লৈবাক অহুম্না নোর্মেন্দিগী ৱারী মখা চত্থনবগী খন্নরগনি

কিভ, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী): য়ুক্রেনগী ফোরেন মিনিষ্টর দমিট্রো কুলেবানা হায়খ্রে মদুদি, মহাক্না জর্মনি অমসুং ফ্রান্সকী মহাক্কী লেংমান্নবশিং অন্নালেনা বেরবোক অমসুং জোন-ইবিসলেদ্রেয়ানগা ৱারী শানদুনা নোর্মেন্দি ফোর্মেট হেনগৎহনবগী ৱাফম খন্নরগনি।

য়ুক্রেনগী কেপিটেল কিভতা বেরবোককা ৱারী শানরবা মতুংদা কুলেবানা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, ঐখোয়না ত্রাইপর্টাইট মীটিং অমা পাঙথোক্লগনি। ঐখোয়না নোর্মেন্দি ফোর্মেটকী ফোরেন মিনিষ্টর মরিমক্না শরুক য়াগদবা মীফম অমা পাঙথোকপগী অকুপ্পশিং খন্নগনি।

কুলেবানা হায়খি মদুদি, কিভকী ওইনদি বার্লিন নৎত্রগা পেরিসনা য়ুক্রেনগী মতাংদা লৈবাক অসি য়াওদনা ৱারেপ লৌদবা হায়বসি য়াম্না মরুওই। মহাক্কী ওইনদি জর্মনি অমসুং ফ্রান্সনা নোর্মেন্দি ফোর্মেট হেনগৎহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়বা বেরবোকনা উনবা অদুদা ফোঙদোকখি।

য়ুক্রেন, রসিয়া, জর্মনি অমসুং ফ্রান্স য়াওবা পার্টি মরিগী ওইবা দিপ্লোমেটিক গ্রুপ অমা ওইরিবা নোর্মেন্দি ফোর্মেট অসি য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা লমদম দোনবাসকী কনফ্লিক্টকী মতাংদা ৱারোইশিন পুরকপা য়ানবা শেমখিবনি।

নোর্মেন্দি ফোর্মেটকী ফোরেন মিনিষ্টরশিং মমাঙদা কুমজা ২০২০গী এপ্রিলদা ভিদিও কনফরেন্সকী খুত্থাংদা মীফম পাঙথোকখি।

লৈবাকপোকপা নুমীৎতা জর্মন ফোরেন মিনিষ্টরনা রসিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎতুনা রসিয়াগী মহাক্কী লেংমান্নবা সর্গি লাভ্রোভকা ৱারী শানগদৌরিবনি।

মহৌশানা ফোর্মেট অসি মরুওইনা লৈবাক মরিগী লুচিংবশিং অমসুং ফোরেন এফেয়র্স মিনিষ্টরশিংগী মরক্তা টেলিফোন কোলশিং তৌনদুনা ওপরেট তৌরকখি। নোর্মেন্দি ফোর্মেট অসি করিগুম্বা মতমদা বেলারস, ইটালি অমসুং য়ু কে য়াওহন্দুনা চাউথোকপসু লৈখি।

# ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱিদোদোনা জকার্টা-বান্দুং হায় স্পিদ রেলৱে য়েংশিনখ্রে



জকার্টা, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী): ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্ট জেকো ৱিদোদোনা জকার্টা-বান্দুং হায় স্পিদ রেলৱে (ঐচ এস আর) নম্বর ২ টনেলগী মফমদা চৎতুনা শেমগৎ শাগৎপগী প্রোগ্রেস য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা ৱিদোদোনা হায়খি মদুদি, খুদোংচাদবা জিওলোজিকেল কন্দিসনশিং অমসুং কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কুম্বা প্রোব্লেম কয়া লৈদুনসু জকার্টা-বান্দুং ঐচ এস আর শেমগৎ শাগৎপগী থবক নীংথিনা চত্থরি। প্রোজেক্ট অপূনবা অসি কুমজা ২০২৩গী জুনদা ওপরেট তৌগনি হায়বগী থাজবা লৈ। প্রসিদেন্ট ৱিদোদোনা কন্সত্রক্সন পার্টি পুন্নমক্না ক্বালিটি লৈনা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পুন্না পাঙথোকমিন্নবগী থাজবা ফোঙদোকখি অমদি চহী অসিগী অথেংবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা জি ২০ সম্মিট মনুংদা প্রোজেক্ট এচিভমেন্টশিং অমদি ইন্দোনেসিয়া অমসুং চাইনাগী মরক্তা পীনরিবা কোওপরেসন অসিগী কান্নবশিং খঙহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট ৱিদোদোনা জকার্টা-বান্দুং ঐচ এস আর য়েংশিনবা অসি মসিনা অনীরকশুবনি। নম্বর ২ টনেল অসি পুন্না মিটর ১,০৫২ শাংবা সিঙ্গল-হোল অমসুং দবল-ট্রেক টনেল অমনি। টনেল অসিগী চাদা ৭৫দি তৌবা লোইরে। জকার্টা-বান্দুং ঐচ এস আর শেমগৎ-শাগৎপগী থবক কুমজা ২০১৮গী জুনদা হৌখি অমসুং সিভিল ৱার্কশিংগী চাদা ৯১.২ মপুং ফানা লোইশিল্লে। এল্লাইনমেন অপূনবগী বিম ৩৮গী মনুংদা ৩০ ক্লোজ তৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেসন শেমগৎপা ট্রেক লেয়িংগী থবক নীংথিনা খুম্মাং চাউশিল্লি। টনেল ১৩গী মনুংদা ১০ শেমগৎ-শাগৎপা মপুং ফানা লোইশিল্লে। পুংদা কিলোমিটর ৩৫০গী দিজাইন স্পিদকা লোয়ননা জকার্টা অমসুং বান্দুং শম্নহনবগী মতম হান্না পুং ৩ লোম হেন্না চঙলম্বদগী মিনিট ৪০ রোমদমক চঙহল্লগনি।

# এক্স-নেভি চীফকী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা ইস্লামাবাদ হায় কোর্টনা ইমরান খান অমদি কেবিনেটতা খঙহনখ্রে



ইস্লামাবাদ, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী): নেভিসেলিং ক্লব থুগায়নবা অমসুং হান্নগী নেভি চীফ এদমিরেল (রিটায়র্দ) জাফর মহম্মদ অববাসিগী মায়োক্তা ক্রিমিনেল প্রোসিদিংশিং চত্থবা হৌনবা ইস্লামাবাদ হায় কোর্ট (আই ঐচ সী)না পীখিবা দিরেক্টিভশিং প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান অমসুং ফেদরেল কেবিনেটকী মমাঙদা শোয়দনা থম্নবা কোর্ট অসিনা এদিসনল এটোর্নি জেনরেল (এ এ জি)দা দিরেক্সন পীখ্রে।

রিপোর্ট অমনা হায়, জষ্টিস অমির ফুরুক অমসুং জষ্টিস গুল হসন ঔরঙ্গজেব য়াওবা মেম্বর অনীগী ওইবা হায় কোর্ট অসিগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা হান্নগী নেভেল চীফতা করিগুম্বা কেবিনেটনা ৱারেপ অমা লৌরক্তবা তারবদি য়ুমশকৈশা নুমীৎতা কেবিনেট সেক্রেটরিগা উননবা দিরেক্সন পীখি।

দিরেক্টিভশিং অদু সেলিং ক্লব থুগায়নবা অমসুং হান্নগী নেভেল চীফকী মায়োক্তা ক্রিমিনেল প্রোসিদিংশিং চত্থবা হৌনবা কোর্ট অসিনা পীখিবা ওর্দর শীংনরদুনা এদভোকেট অশতর ওসাফনা ফাইল তৌখিবা ইন্টর-কোর্ট আপীল অমগী হিয়রিং মনুংদা ইস্যু তৌখিবনি।

আপীল অদুনা হায়রিবদি, হান্নগী নেভেল চীফ অদু পাকিষ্টান নেভিদা চহী ৪৫ ওফিসর অমা ওইনা থবক তৌরকখি। মহাক্না কুমজা ২০১৭তগী ২০২০ ফাওবা নেভিবু কম্মান্দ তৌরকখি। ৱারেপ লাউথোক্লিবা আপীল অদু খন্নফম থোক্তে হায়নসু আপীল অদুদা পনখি। রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়, ওরিজিনেল পিটিসন অদুদা ক্রিমিনেল প্রোসিদিংশিং চত্থনবা হায়জবা য়াওদে। মরম অদুনা জন্যুৱারী ৭তা পীখিবা সিঙ্গল-বেঞ্চকী ভর্দিক্ট অদু চৎনবা য়ারোই হায়না লাউথোক্কদবনি হায়নসু অপীল অদুদা পনখি।

# ইটালিগী রিজন অনীগী অপ্পর কোভিদ রিস্ক লেভেল ৱাংখৎখ্রে



রোম, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী): ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টনা থোকহনবা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনগী ৱেভ য়াম্না থুনা মতোল লোম্লগনি হায়না হেল্থ ওথোরিটিশিংনা ইঙ্গিৎ পীখিবগা লোয়ননা ইটালিগী লমদম অনী অমসু অপ্পর পেন্দমিক রিস্ক লেভেল ৱাংখৎখ্রে।

খ্বাইদগী নৌবা পেন্দমিক সর্ভেগী রিজল্টশিংনা মরম ওইদুনা হেল্থ মিনিষ্টর রোবার্টো স্পেরাঞ্জানা খুৎয়েক পীখিবা অকক্লবা ওর্দিনান্স অমদা য়ুম্ফম ওইরগা নোর্থৱেষ্ট ওষ্টা ভেল্লিগী রিস্ক লেভেল ওরেঞ্জ ওইহনখি অমসুং সাউদর্ন রিজন কেম্পানিয়াগীনা য়েল্লো ওইহনখি। মসি কুমজা ২০২০গী অথেংবা শরুক্তগী ইমপ্লিমেন্ট তৌরকখিবা রেদ, ওরেঞ্জ, য়েল্লো অমসুং হ্বাইট জোনশিং হায়বা কাখল মরিগী সিষ্টমগা চান্ননা লেপখিবনি।

মচুশিং অসিনা মথংশিংনা ভাইরস ত্রান্সমিসনগী রিস্ক হায়, মেদিয়ম, লোৱর-ইন্টর্মিদিয়েট অমসুং লো রিস্ক ওই হায়বা উৎলি। হৌজিক ইটালিগী লমদম অমতমক ওরেঞ্জ লেভেলদা লৈ। লমদম ১৪দা য়েল্লো ওই অমসুং লমদম ৫না হ্বাইট ওই।

চৈরকসিদা ইটালিয়ন গভর্ণমেন্টনা হায় মদুদি, রিজনল গভর্ণর কয়ানা হন্দক্তা হৌদোরকপগী মতুংইন্না গভর্ণমেন্টনা অনৌবা কোভিদ-১৯ কেসশিং মশীং থিবগী থৌওংদা অহোংবা লাকহন্নবা খন্নরকপা য়াই। খন্নরিবা ৱাফম অসিনা লাকহনগদৌরিবা মরুওইবা অহোংবা অমদি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা তৌইগুম্বসুং ভেক্সিন কাপ্পবা অমদি লায়ওং চেন্দবা মীওইশিং নোংমদা থেংনবা অনৌবা কেস মশীংদা চলহন্দবা অসিনি।

স্পেরাঞ্জানা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, অথুবা মতমদা ৱাফম অসি খন্ননবা টেক্নিকেলগী ৱারী শানবা হৌরগনি অমসুং মথং চয়োল অনীগী মনুংদা গভর্ণরশিংগসু পুন্না ৱা তান্নরগনি। হৌজিক ইটালিদা পেন্দমিক অসিদা ওইরক্লিবা ফীভম অসি অরাইবা নত্তে। ইনফেক্সন লৈরবা মী মশীং য়াম্লি। তৌইগুম্বসুং মমাঙগী পেন্দমিক্কী ৱেভশিংগা চাংদম্নবদা ইনৌনৌবা ৱেভ অসিদদি হোস্পিটালগী বেদশিংদা লৈবগী চাং নেম্মী। মসি ভেক্সিনেসনগী চাং ৱাংবদগীনি।

# পেলেষ্টিনিয়নশিং ইভিক্সন তৌদনবা ইজরেলদা ৱার্নিং তৌখ্রে

রমালা, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী): ইষ্ট জেরুসালেমদা লৈরিবা পেলেষ্টিনিয়ন ইমুংশিং মখোয়গী য়ুমশিংদগী ইভিক্সন তৌদনবা পেলেষ্টাইননা ইজরেলদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

পেলেষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্ট মহম্মদ অবাসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি, ইজরেলনা ইষ্ট জেরুসালেমগী সৈখ জরাহদা লৈরিবা সালহিয়া ফেমিলিবু মখোয়গী য়ুমদগী ইভিক্সন তৌনবা হোৎনরিবসি নমদুনা ময়ুম-মকৈ থাদোকহন্নবা হোৎনবগী ফ্রেমৱার্ক মনুং চল্লি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি ইন্টরনেসনল অমসুং হ্যুমেনিটরিয়ন লোগী মায়োক্তা ওই।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা হায়, ইজরেলনা পেলেষ্টিনিয়ন ইমুংশিং ফোর্স শীজিন্নদুনা ইভিক্সন তৌবা অমসুং সেট্টলমেন্ট য়ুনিট লিশিং কয়া শেমগৎ শাগৎনবা এপ্রুভেল পীবা হায়বসিনা পেলেষ্টিনিয়ন টেরিটরিশিংদা উংখৎনবা হেনগৎহনগনি। পেলেষ্টিনিয়নশিংবু শাফগদবা মফমদা লৈহন্নবা হোৎনবা হায়বসি পেলেষ্টিনিয়ন ইমুংশিংবু ইষ্ট জেরুসালেমদা লৈরিবা মখোয়গী ইমুংশিং নমদুনা থাদোকহন্নবগী প্রোসেস অমগী মাঙওইনবা খোঙথাং ওইবা য়াই হায়বা ষ্টেটমেন্ট অদুদা মখা তানা পনখি। পেলেষ্টিনিয়ন মীয়াম্বু প্রোটেক্সন তৌবীনবা অমসুং ইজরেলগী লম লৌশিনবগী পোলিসীশিং লোইশিনহন্ননবা অবাসনা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিদা খুদক্তা খুৎ থিংজিল্লক্নবা আপীল তৌখি।

# এঙ্গোলানা দাইমন্দ কেরট মিলিয়ন ১০.৫ পুথোক্লগনি



লুৱান্দা, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী): এঙ্গোলানা কুমজা ২০২২দা দাইমন্দ কেরট মিলিয়ন ১০.৫ পুথোকপা ঙমদুনা দোল্লর বিলিয়ন ১.৪ তানবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না লৈবাক অসিগী নেসনল দাইমন্দ কম্পনি (ইন্দিমা)না লাউথোকখ্রে।

ৱাফম অসি ইন্দিমাগী সী ঈ ও জোজ গঙ্গা জুনিয়রনা কুমজা ২০২১দা কম্পনি অসিগী এক্টিভিটিশিংগী পাউদম অমা অমসুং কুমজা ২০২০গী প্রোজেক্সনশিং পাউমীশিংদা খঙহল্লদুনা ফোঙদোকখিবনি। ওফিসল অসি কম্পনি অসিগী ৪১শুবা কুমওন নুমীৎকী থৌরমগা মরী লৈননা ৱা ঙাংখিবনি।

জোজ গঙ্গা জুনিয়রগী মতুংইন্না ইন্দিমানা অহানবদা কুমজা ২০২২দা দাইমন্দ কেরট মিলিয়ন ১৩.৮ পুথোক্তুনা দোল্লর বিলিয়ন ১.৯ রোমগী রেভিন্যু কাহনবা ঙমগনি হায়না পাখি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক লৈরিবা ফীভম কয়া অমসুং মার্কেটকী মমলশিংনা মরম ওইদুনা কম্পনি অসিনা অহানবগী প্রোজেক্সনশিং করেক্সন তৌখিবনি। ঙসি ঐখোয়দা দাইমন্দগা মরী লৈননা লৈরিবা ইনফোর্মেসন অসিনা মমলগী মতাংদা হায়গৎ-হায়দা খরা লৈ হায়বসি উৎলি। মসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না চপ চাবা প্রোজেক্সন পীবদা খুদোংচাদবা খরা মায়োক্লরি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না মমল খরা ৱাংনা য়োনবা য়াবগী খুদোংচাবা লাক্লবদি ঐখোয়গী প্রোজেক্সনশিং পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইগনি।

এঙ্গোলা অসিন অফ্রিকাদা দাইমন্দ খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা অহুমশুবা লৈবাকনি। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা দাইমন্দ টেরিটরি চাদা ৪০ রোমদমক এক্সপ্লোর তৌরি। এঙ্গোলানা কুমজা ২০২০দা পুথোকখিবা দাইমন্দশিং কেরট মিলিয়ন ৭.৭ ওইখি। মসি মমাঙগী চহীগা চাংদম্নবদা চাদা ১৫.৪ হন্থরিবনি। লৈবাক অসি মালেমগী ওইনা দাইমন্দ খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা লৈবাকশিংগী মনুং চল্লি।

# দ্রাইভর পোজিটিভ ওইবদগী ঈ সীগী প্রসিদেন্ট আইসোলেসন তৌখ্রে

ব্রাসেলস, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী): য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট উর্সুলা বোন দের লেয়েনগী দ্রাইভর কোভিদ-১৯ টেষ্টতা পোজিটিভ ওইখিবগা লোয়ননা তঙাইফদনা মহাক্না চয়োল অসিদা ষ্ট্রাসবর্গতা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী প্লিনরিদা শরুক য়াবগী থৌরাংশিং কেন্সেল তৌখ্রে।

বোন দের লেয়েননা পাউ অসি ত্বিটরদা লাউথোক্লদুনা হায়খি মদুদি, মহাক ব্রাসেলসতা হল্লক্লগনি। মহাক্কী স্পোক্সমেননা হায়খি মদুদি, বোন দের লেয়েন কার তোংদুনা ষ্ট্রাসবর্গতা চৎখি অমসুং মহাক ব্রাসেলসতা অমুক কার তোংদুনা হল্লক্লগনি। ষ্ট্রাসবর্গতা চয়োল অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্লিনরিগী প্রোসিদিংস অদুদা হৌখিবা চয়োলদা লৈখিদবা পার্লিয়ামেন্টকী প্রসিদেন্ট দেবিদ সাসোলিগী মেমোরিএল সর্ভিস য়াওগনি। মহাক ওফিসকী টর্ম লোইরমদাইদা লৈখিদবনি।

নিংথৌকাবা নুমীৎকী নুমীদাংদা পাঙথোকপা মেমোরিএল থৌরমদা বোন দের লেয়েননা য়ুরোপিয়ন কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট জার্লস মিসেল অমসুং ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইমান্যুএল মেক্রোনগ লোয়ননা ৱা ঙাংনবা সেদ্যুল তৌখিবনি। প্লিনরি চয়োল মনুংদা কম্মিসননা চয়োলগী ওইবা কোলেজ মীটিংসু ষ্ট্রাসবর্গতা পাঙথোকই। ওফিসলশিংগী মতুংইন্না বোন দের লেয়েন এবসেন্ট ওইগদৌরিবা অসি য়েংলগা এরেঞ্জমেন্ট কয়া শীন্নবা খন্নরি।